# রশিয়া অমসুং চাইনানা ভেক্সিনশিংগী এপ্রুভেলগী মতাংদা ঈ এম এদা হায়জরক্ত্রি



রোম, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : রশিয়া অমসুং চাইনানা মখোয়গী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংগীদমক্তা য়ুরোপিয়ন মেদিসিন্স এজেন্সি (ঈ এম এ) দা এপ্রুভেল পীয়ু হায়জরকপা লৈত্রি অমসুং ভেক্সিনগী এপ্রুভেল পীবা থুজিনহন্নবা এজেন্সি অসিদা পোলিটিকেল প্রেসর পীরকপা লৈত্রি হায়না রেগ্যুলেটর অসিগী চীফনা য়ুমশাকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অনী অসিনা মখোয়গী ভেক্সিনশিং অদুগী ওথোরাইজেসন পীনবা হায়জরকপা লৈত্রি। মখোয়না হায়জরক্লবদি ঐখোয়না দেটা ষ্টদি তৌগনি হায়না ঈ এম এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ইমর কুকনা ইটালিয়ন দেলি লা রিপব্লিকাদা ফোঙদোকখি। চাইনিজ অমসুং রশিয়ন ভেক্সিনশিংগী মতাংদা হংবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। সাইনোভাক অমসুং ষ্টেটনা চলাইবা সাইনোফার্মনা পুথোকপা ভেক্সিন অহুম ইমরজেন্সি ত্রিটমেন্টদা শীজিন্নবা চাইনানা অয়াবা পীখ্রবনি।

রশিয়ানা পাক শন্না চাংয়েং মপুং ফানা পাঙথোকপা তৌদনা নোভেল কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন অমগী রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল পীথোক্তুনা অসুম্না তৌবা অহানবা লৈবাক ওইখি। মদুনা মালেমগী সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ডোক্টরশিংদা ভেক্সিন অদুদি সেফটি অমসুং ইফিকেসিগী মতাংদা নুংনাংবা পোকহনখি।

রশিয়াগী ভেক্সিন স্পুটনিক ৫ অসি মোস্কোদা লৈবা গামালেয়া রিছার্চ ইন্সটিট্যুটনা শাবনি অমসুং রশিয়াগী সোভরন ৱেল্‌থ ফন্দ রশিয়ন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দ (আর দি আই এফ) না মার্কেটিং তৌবনি। কোকনা হায়খি মদুদি ফাইজর অমসুং বাইওএনটেক নৎত্রগা মোদর্ননা পুথোকপা ভেক্সিনগী ওথোরাইজেসন পীবগী প্রোসিজরশিং য়াংশিন্নবা এজেন্সি অসিদা মখল অমত্তগী প্রেসর পীরকপা লৈতে।

প্রেসর হায়বা তারবদি সাইন্টিফিক্কী ৱাফম অসি পনবা য়াই। মরমদি ঐখোয়না সিটিজনশিংগীদমক্তা খ্বায়দগী হেন্না ফবদমক তৌনিংই। ঈ এম এনা কনামত্তগী ইথিলদা থবক তৌদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। কুককী মতুং ইন্না, ফাইজর অমসুং বাইওএনটেক্কী ভেক্সিন রিভিয়ু তৌবগী থবক দিসেম্বর ২৯ ফাওবদা অমসুং মোদর্নানা পুথোকপা ভেক্সিনগীনা জান্যুৱারি ১২ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা এজেন্সি অসিনা হোৎনরি। য়ুরেপিয়ন য়ুনিয়ন কম্মিশন্না ভেক্সিনগী ওথোরাইজেসন পীবা অসি ঈ য়ুগী ষ্টেট ২৭ তান্নরবা মতুংদা ঈ এম এগী সাইন্টিফিক এদভাইসতা য়ুম্ফম ওইরগনি।

# বাইদেননা মাই পাকখিবা ইলেক্সন রিজল্ট শীংনবা পিটিসন য়ু এসকী সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে




ৱাশিংটন, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেননা পেন্সাইলভেনিয়াদা মাই পাকখিববু শিংনরদুনা থারকখিবা পিটিসন অমা য়ু এস সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ষ্টেট অদুগী রিপব্লিকানশিংনা মীখলগী রিজল্ট অদুগী সার্টিফিকেসন চৎনহন্দনবগীদমক্তা পিটিসন অদু ফাইল তৌখিবনি। তৌইগুম্বসুং হায়জরিবদু জষ্টিসশিংনা সেন্টেন্স অমগী রুলিং অমা পীদুনা রিজেক্ট তৌখি। মদুনা ইভিদেন্স অমত্তা য়াওদনা মীখলগী রিজল্ট অদু সুপ্রিম কোর্টতা সেটল তৌগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা লৈখ্রবা প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ত্রম্পতা চৈথেং পীখি।

ত্রম্পনা মফম চানা টার্ম অমগসু প্রসিদেন্ট কী ফম পায়ননবা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মীরেপ ওইখিবদা মায়থীবা নংখি। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা দমোক্রেটিক কেন্দিদেট জো বাইদেননা ত্রম্পপু মায়থিবা পীখি। ত্রম্পকী ভোট ২৩২ গী মায়োক্তা বাইদেননা ইলেক্তরেল ভোট ৩০৬ ফংদুনা মীখল মদুদা মায় পাকখি। লৈবাক পুম্বগী ওইবা মীখল অদুদা বাইদেননা প্রসিদেন্ট ত্রম্পতগী ভোট মিল্লিয়ন তরেৎ হেন্না ফঙখি।

পেন্সাইলভেনিয়াদা বাইদেননা মায় পাক্লিবদু ষ্টেট অসিগী গভর্নর টোম ৱোল্ফনা সার্টিফাইদ তৌখ্রবনি। ইলেক্তরেল কোলেজগী রুলশিংগী মখাদা ষ্টেট অসিগী ইলেক্তর ২০ না দিসেম্বর ১৪ দা মীফম পাঙথোক্তুনা ওফিসল ওইনা প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেনদা ভোট পীগনি।

অদুমওইনমক ষ্টেট অসিগী রিপব্লিকানশিংনা ৱোল্ফকী সার্টিফিকেসন অদু চৎনহন্দবা পামখি। হৌখিবা চয়োলদা মখোয়না পান্দম অসিগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী টোপ কোর্টতা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমা কোর্ট অদুনা রিজেক্ট তৌখিবদগী মখোয়না ৱাশিংটনদা লৈবা য়ু এসকী সুপ্রিম কোর্টতা অমুক আপীল তৌখিবনি।

ষ্টেট অমসুং গভর্ণরগী উকিলশিংনা কেস অদু ভেল্যু লৈতে হায়না ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্সিএল মীখলগী রিজল্টশিংগী ওইবা গভর্ণরগী সার্টিফিকেসন চৎনহন্দনবা কোর্ট অমত্তনা ওর্দর থোকখিবা লৈতে হায়না জষ্টিসশিংনা মখোয়গী রুলিংদুদা ইখি।

# লৌমীশিংনা মত অমত্তা ওইনা সেন্টরগী প্রপোজেল রিজেক্ট তৌখ্রে, প্রোটেষ্ট মখা চথখিগনি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : *ৱাথোক ওইরবা ফার্ম লো অহুম এমেন্দ তৌনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌদোরকখিবা ৱাফম লৌমীশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মত অমত্তা ওইনা রিজেক্ট তৌখ্রে অমসুং লোশিং অদু মপুং ফানা হন্দোক্লুবা দিমান্দ তৌখ্রে।*

*লৌমীশিংনা পুখৎলকখিবা মরু ওইবা ইশ্যুশিংদা হায়নিংবা উৎলদুনা মখোয়গী দিমান্দশিং গভর্ণমেন্টনা য়াখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাক্লিবনি। লৌমীশিংনা পুখৎলকখিবা ৱাফমশিংদা গভর্ণমেন্টনা য়াখিবশিংগী মনুংদা ফার্ম লো অহুম অদু এমেন্দ তৌবা য়াওরি।*

*গভর্ণমেন্টগী ফীরেপ অদু লৌমীশিংদা অইবা দ্রাফ প্রপোজেল অমগী খুত্থাংদা খঙহনখি। মদুদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ (এম এস পি) অমসুং এগ্রিকলচরেল প্রদ্যুস মার্কেট কম্মিটি (এম পি এম সী) গা মরী লৈনবা মরু ওইবা এমেন্দমেন্ট অনী গভর্ণমেন্টনা য়াখি তৌইগুম্বসুং ফার্ম লো অহুম রিপিল তৌ হায়বা মখোয়গী দিমান্দ অদুদি রিজেক্ট তৌখি।*

*সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী প্রপোজেল ঐখোয়না রিজেক্ট তৌখ্রে। কনামত্তনা ৱারেপ অসিদা য়েৎতে। ঐখোয়গী মতুং তারকপা খোঙথাং ওইনা নোংমা নীনিগী মনুংদা বোর্দর খুদিংমক থিংজিল্লগনি হায়না লৌমী লিদরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কুলৱান্ট সিংহ সন্ধুনা ফোঙদোকখি।*

*প্রাপোজেল অদুদা সেন্টরনা মিনিমম সপোর্ট প্রাইস (এম এস পি) গী অইবা এস্যুরেন্স পীবা অমসুং প্রাইভেট মার্কেট য়ার্দ অমসুং এ পি এম এম সীগী য়ুনিফোর্ম টেক্স লৈহনবগী ৱাফম য়াখি। এ পি এম সী অসি লৌমীশিংবু অচৌবা রিটেলরশিংনা শেন্দোং চাওনা তান্নবা হোৎনবদগী কন্নবগীদমক্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা শেম্বা মার্কেটিং বোর্দ অমনি।*

*গভর্ণমেন্টকী প্রপোজেল অদুগী মতুং ইন্না লৌমীশিংগী পোথোকশিংগী লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরিবা প্রাইভেট ত্রেদরশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী প্রোভিজন অমা লৈরগনি। ফার্ম লৌশিং রিপিল তৌ হায়বা দিমান্দগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা হায়রিবদি লৌমীশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা ওবজেক্সনশিংদুগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা লোশিং অদুগী প্রোভিজনশিং খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ।*

*ত্রেদরশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা রুলশিং শেমদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা লৌমীশিং য়াইফনবগী অনৌবা রুলশিং শেম্নবগী পৱার পীরগনি হায়খি।*

# টর্কিগী দ্রিল্লিংগা মরী লৈননা ঈ য়ুনা অহেনবা অথিংবশিং লাউথোকখ্রে

ব্রসেলজ, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : মেদিটরিনিয়নগী য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক্তা দ্রিল্লিং তৌবদা চেন্নবা অহানবা টর্কিশ ইন্দিভিব্যুএলশিং অমসুং কম্পনিশিংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না অথিংবা থল্লগনি।

ঈ য়ুগী লিদরশিংনা শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকপা মখোয়গী সম্মিট অমদা য়ানগদবা দ্রাফ ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না করিগুম্বা লিদরশিংনা য়ানরবদি ঈ য়ুনা কুমজা ২০১৯ দগী লৈরকখিবা অথিংবশিংগী লিষ্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা অহেনবা লিষ্টিশিং শেম্নবা হোৎনগনি হায়রি।

ঈ য়ুগী লিদরশিংনা লৌখৎপা য়াবা কঞ্জার্ভেটিভ মেম্বরশিংগী মনুংদা অসিগুম্বা অথিংবশিং খন্নরকখিবনি। সাইপ্রস অমসুং গ্রীসকী সমুদ্র খোঙবান মনাক্তা হাইদ্রো কার্বোনশিং থিবা লেপ্পবা টর্কিদা প্রেসর পীনবা হোৎনবদা অরৈবা ইন্সত্রুমেন্ট খুদিংমক শীজিন্নগনি হায়না মখোয়না হৌখিবা ওক্তোবরদা লাউথোকখি।

ফ্রান্সনা টর্কিগী ইকনমিদা সেক্টোরিএল অথিংবশিং থম্বগী ৱাফম শৌগৎখি। তৌইগুম্বসুং নাটোগী মীচং লৈবাক অমা ওইবদা নত্তনা ঈ য়ুগী কেন্দিদেট লৈবাক অমা ওইরিবা টর্কিদা অদুগুম্বা অথিংবশিং থম্বা য়াবসি জর্ম্মনি, স্পেন অমসুং ইটালিনদি টর্কিবু রশিয়াদা য়েংবা মীৎয়েংগা মান্নহনগদবা কা হেনবা খোঙথাংনি হায়রদুনা য়ানিংদ্রি।

হায়দ্রোকার্বোনগী মতাংদা য়েৎনরিবসি শরুক অনী থোক্না খাইদোক্লবা সাইপ্রস ইথৎ অমসুং লিবিয়া অমদি সিরিয়াগী মতাংদা লৈরিবা টর্কিগী ফোরেন পোলিসি য়াওনা টর্কিনা লৈনরিবা ইশ্যু কয়াগী শরুকনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ঈ য়ুগী মীৎয়েংদা টর্কিগী ফোরেন পোলিসি অদু নোংচুমলোমগী পান্দমশিংগা চান্নদে হায়না লৌরিবনি।

অদুম ওইনমক টর্কিনা সিভিল ৱারদগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকখিবা সিরিয়াগী মাইগ্রেন্ট রিফ্যুজিশিং চঙজফম পীখিবা অসিনা য়ুরোপিয়নশিংদা অঙ্গারাবু দন্দি পীনিংবগী ৱাখল খরমখৈ হন্থহনখি। করিগুম্বা টর্কিনা চঙজফম পীরমদবা তারবদি সিরিয়ন রিফ্যুজিশিং অদু ঈ য়ুগী লৈবাকশিংদা ওইনা চেল্লক্তুনা চঙজফম থীরবা য়াই হায়না দিপ্লোমেটশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুরোপিয়ন কম্মিসন অমসুং ঈ য়ুগী তোপ দিপ্লোমেট জোসেপ বোরেলনা মার্চতা পাঙথোক্কদৌরিবা মথংগী ঈ য়ু সম্মিট করম্বা মওংদা চত্থরক্কদগে হায়বগী ওপসনশিং লাংগদবনি হায়রদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা টর্কিগী মায়োক্তা য়ারিমখৈ হাথু হাথু লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎলোইদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সাইনোফার্মগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন চাদা ৮৬ কী ইফিকেসি লৈরেঃ য়ু এ ঈ



দুবাই, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : চাইনা নেস্নেল ফার্মাস্যুটিকেল গ্রুপ (সাইনোফার্ম) না পুথোকপা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন চাংয়েং চাদা ৮৬ কী ইফিকেসি লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ আরাব এমিরেটসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ক্লিনিকেল চাংয়েংগী ইন্টরিম এনালাইসিস অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থাদা ফাইজর ইঙ্ক, মোর্দনা, অষ্ট্রাজেনেকা, পি এল সীগুম্বা নোংচুকলোমগী রাইভেলশিং অমসুং রশিয়াদগী নুংঙাইনিংঙাই ওইরবা রিজল্টশিং ফোঙদোকখি। মতুংদা মতম য়াম্না শাংনা কান্নদনা পোজিটিভ দেটা অসি লাকপা ওইরবসু য়ু এ ঈ অমসুং সাইনোফার্মনা ষ্টদি অদুগী অকুপ্পা দেটা ফোঙলকখিদে।

সাইনোফার্মগী চাইনা নেস্নেল বাইওটেক গ্রুপ (সী এন বি জি) গী য়ুনিট অমা ওইরিবা বৈজিং ইন্সটিট্যুট ওফ বাইওমেদিকেল প্রদক্টনা ভেক্সিন অদুগী অহুমশুবা ফেজগী ক্লিনিকেল চাংয়েং হৌখিবা জুলাইদা গল্ফ আরব ষ্টেটতা হৌখি।

হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা লৈবাক অসিনা ভেক্সিন অদু অকক্লবা গ্রুপ খরদা ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীখি। মদু চাইনানা পুথোকপা ভেক্সিন অমগী অহানবা ইন্টরনেস্নেল ক্লিয়ারেন্সনি।

হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, এনালাইসিস অদুনা ন্যুত্রিলাইজিং এন্টিবোদিগী সেরোকনভর্সন রেট চাদা ৯০ নি অমসুং লায়না অসিগী ময়াই ওইরম্বা অমসুং কা হেন্না শাথিবা কেসশিং থিংবদা চাদা ১০০ ইফেক্টিভ ওইহায়বা উৎলি। এনালাইসিস অদুনা সেফটিগা মরী লৈনবা অরুবা অমত্তা উত্তে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

কুপথনা পন্দবীদা ভেক্সিন অদু ওফিসল ওইনা রেজিষ্টর তৌরে হায়না পল্লদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, য়ু এ ঈগী চংয়েং অদুদা নেস্নেলিটি ১২৫ গী ভোলুন্টিয়র ৩১,০০০ না শরুক য়াখি। ষ্টেটমেন্ট অদুদা সাইদ ইফেক্টশিংগী ৱাফম পন্দবগা লোয়ননা চাংয়েং অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই কয়া নারকখিবগে নৎত্রগা ভোলন্টিয়র কয়াদা ভেক্সিন নত্রগা প্লেসবো পীখিবগে হায়বসু পনখিদে। খুদক্কী ওইনা সি এন বি জিদগী কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে।

ইম্ম্যুন রেসপোন্স থোকহন্নবগীদমক্তা মীওইবগী সেলশিংদা মশিং য়ামথোকহনবা ঙল্লরোইদবা মথৌ লেপহল্লবা ভাইরস অমা শীজিন্নরিবা ভেক্সিন অদু দোজ অনী চঙগনি হায়বসি মমাংগী চাংয়েংগী দেটাদা উৎখি।

য়ু এ ঈগী চাংয়েং অদু সি এন বি জি, অবু ধাবিদা বেজ তৌবা আর্টিফিসেল ইন্টলিজেন্স কম্পনি গ্রুপ ৪২ (জি ৪২) না খুৎশম্নরগা পাঙথোক্লিবনি। মীশিং মিল্লিয়ন মাপল লোম লৈবা য়ু এ ঈদা হৌজিক ফাওবদা ইনফেক্সন ১৭৮,৮৩৭ রেকোর্দ তৌখ্রে অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৫৯৬ শিখ্রে হায়রি।

# পুলৱামাদা টেররিষ্ট ৩ হাৎখ্রে, মীচম ১ শোক্লে

শ্রীনগর, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্লবদা মশক খঙদবা মিলিটেন্ট অহুম হাৎখ্রে অমসুং মীচম অমা থৌদোক অদুদা অশোক অপন নংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটেন্টশিং লৈরে হায়বা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফঙবদগী য়ুমশকৈশাগী অঙনবদা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী তিকেন এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা সর্চ ওপরেসন অমা চথখ্রি হায়ন পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খি মদুদি মিলিটেন্টশিংনা ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ হল্লকপদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমা ওল্লকখি। ওপরেসন অদুগী অহৌবা শরুক্তা মিলিটেন্ট অনী হাৎখি। নাকল অনীগী মরক্তা কাপনবা অদুদা মীচম অমসু অশোক অপন নংখি। অহুমশুবা মিলিটেন্ট অদুনা মখা তানা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মায়োক্লনবা হোৎনখি। অদুবু সিক্যুরিটি ফোর্সনা মহাকপুসু হাৎখি হায়না ওফিসল অদুনা ফোঙদোরকখি।

# কিদনেপ্পিংদা চেন্নবা রেবেল অহুম ফারে

অগরটালা, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : হন্দক্তা ৱর্কর অহুম ফাখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ত্রিপুরাগী ধলাই দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসকা নেস্নেল লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (এন এল এফ বি) গী রেবেল অহুম ফাখ্রে।

ধলাইগী মালাকুমার পারাদগী হৌরকখিবা রেবেল অহুম অদু পুলিসনা ইন্টরোগেসন চথুরি। এন এল এফটি (বি এম) গী রেবেলশিংনি চিংনবশিংনা ৱার্কর অহুম অদু নবেম্বর ৭ তা ইন্দো বংলাদেশতগী ফাখিবনি হায়রি।

# লৈবাক ৬৪ গী এনভোইশিংনা কোভিদ ভেক্সিন শাফমশিং য়েংশিনখ্রে



হায়দরবাদ, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : কোরোনা ভাইরসকী ভেক্সিনশিং শারিবা হায়দরবাদতা লৈবা ভারত বাইওটেক অমসুং বাইওলোজিকেল ঈগী ফেসিলিটিশিং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক ৬৪ গী এনভোইশিংনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

এয়র ইন্দিয়াগী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা হায়দরবাদতা থুংলবা মতুং এসিয়া, আফ্রিকা, য়ুরোপ, নোর্থ আমেরিকা, সাউথ আমেরিকা অমসুং ওসিনিয়াগী লৈবাকশিংগী এম্বেসেদর কম্পনি অনীগী ফেসিলিটিশিং য়েংশিন্নবগীদমক সিটি অসিগী চীদাই ওইরপ্পা লৈরিবা জেনোম ভেল্লিদা চৎখি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফোরেন মিসনশিংগী মকোকশিংগী ওইবা খোঙচৎ অদু মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটরনেল এফেয়র্সনা শিনা লাংদুন পাঙথোক্লিবনি। মদু ইন্দিয়ানা ভেক্সিন শাবা অমসুং ফঙহনবদা মালেমগী লৈবাকশিংগা খূৎশম্ননা হোৎনমিন্নবগী শরুক অমনি।

লৈবাক অসিদা চথরিবা ভেক্সিন চাংয়েংশিং অমসুং ভেক্সিনগী দোজশিং শানবা অমদি ফঙহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মতাংদা হৌখিবা থাদা দিপ্লোমেটশিংদা ব্রীফ তৌখি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, দিপ্লোমেটশিং অদু বেচ অনী থোক্না খাইদোকখি অমসুং মখোয়না কম্পনি অনীদা চত্তুনা ভেক্সিনশিংগী রিসার্চ অমসুং মেন্যুফেকচরিং ফেসিলিটিশিং য়েংশিনখি।

হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা ভেক্সিন পুথোকপগী থবক্কী প্রোগ্রাম অমসুং রেগ্যুলেটরশিংনা অয়াবা পীরবা মতুংদা কম্পনি অনীনা ভেক্সিন লোঞ্চ তৌবগী থৌরাংশিংগী মতাংদা এনভোইশিং অদুদা কম্পনি অনীগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ব্রীফীং তৌখি।

ভারত বাইওটেকতা দেলিগেসন অদুবু কম্পনি অসিগী ভেক্সিন দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মতাংদা কোভেক্সিন রিসার্চ, দিভলপমেন্ট, ক্লিনিকেল ত্রাইএলশিং অমসুং প্রদক্সন টিমশিং লুচিংবা চ্যেরমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টর ডা. কৃষ্ণ ইলানা ব্রীফীং তৌখি।

ফেসিলিটিশিং অদুগী ভার্চ্যুল অমসুং ফিজিকেল টুরশিংগী খুত্থাংদা ভারত বাইওটেক্কী রিসার্ছ প্রোসেস, মেন্যুফেকচরিং কেপেবিলিটিশিং, এক্সপর্টিসকী মতাংদা দেলিগেটশিংদুদা শন্দোক্না খঙহনখি।

লৈবাক্কী অমসুং মালেমগী হকশেলগী কান্ননবা কম্পনি অদুনা তৌরিবা থবক অদু এনভোইশিংনা থাগৎখি। মপানগী মতেং য়াওদবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোভেক্সিন অসি ভারত বাইওটেকনা ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্ছ (আই সী এম আর) অমসং নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ বাইরোলোজিগা খূৎশম্নরগা পুথোকপনি। ভেক্সিন অসিগী মীওইবদা চথবা অহুমশুবা ফেজগী চাংয়েং নবেম্বরদা হৌখি। ভাইওলোজিকেল ঈনা হৌখিবা থাদা মসিগী কোভিদ-১৯ সবয়ুনিট ভেক্সিন চাংয়েং হৌখি।

# কেরলা সী এমগা নক্লবা মীওই রবিন্দ্রন এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা চৎলোই হায়বগী মতাংদা ঈরাং থোকখ্রে

টিরুবন্থপুরম, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী): কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজেনগা নক্লবা মীওই অমদি এসিষ্টেন্ট প্রাইভেট সেক্রেটরিসু ওইরিবা সী এম রবিন্দ্রননা হয়েং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা চৎলোই হায়বগী মতাংদা ঈরাং থোকখ্রে।

ষ্টেট অদুগী ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা কোংগ্রেস অমদি বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর বিজয়ন্না রবিন্দ্রনবু খুমজিন্দুনা থম্মী হায়বগী মতাংদা ঈরাং অদু থোকখিবনি। হন্দক্কী মতাং অসিগা থারগা থংন-থংননা অহুল্লক রবিন্দ্রন মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা ঙরাং এদমিট তৌখি। হোস্পিটাল অদুগী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা য়াম্না তোয়না মকোক চিকপদগী এম আর আই স্কেন তৌগনি হায়রি।

হেল্‌থ রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না মহাক পোষ্ট কোভিদ সিন্দ্রোম লৈরে। এম আর আই রিপোর্ট অদু ঙসি অথেংবদা লাক্লবা মতুং মহাক্কী মখা তাবা লায়েং চথনবগীদমক ৱারেপ লৌগনি হায়রি। মরম অদুনা মহাক শগোলশেন নুমিৎতা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা সম্মোন তৌরকখিবা অদু চৎলোইদৌরিবনি।

কেরলা এসেমব্লিগী ওপোজিসনগী লিদর অমদি সেনিয়র কোংগ্রেস লুচিংবা রমেস সেনিথলানা ফোঙদোকখিবদা রবিন্দ্রনবু ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সকী ডোক্টরশিংগী পেনেল অমনা য়েংহনগদবনি। মঙোন্দা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা নোটিশ অমা হেক থাবগা হোস্পিটালাইজ তৌবা হায়বসি য়াম্না নোক্লিংবা থৌদোক অমনি হায়খি। ষ্টেট কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রামাচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা চীফ মিনিষ্টর বিজেয়নগী অকুপ্পা খুদিংমক রবিন্দ্রননা খঙই হায়খি। মরম অদুনা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটতা চত্তভনবা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলিবনি।

# এন ঈ এস ওনা দিসেম্বর ১১ দা অৱাং নোংপোক অপুনবদা ব্লেক ওবজার্ভ তৌরগনি




গুৱাহাটি, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এন ঈ এস ও) না দিসেম্বর ১১ অসি ব্লেক দে হায়না ওবজার্ভ তৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মহৈরোয়শিংগী বোদি অসিগী এক্টিভিষ্টশিংনা দিসেম্বর ১১ দা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খুদিংমক্কী মরু ওইবা মফমশিংদা অমুবা ফিরালশিং অমসুং অমুবা বেন্নরশিং থেৎকনি। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১১ দা ৱাথোক ওইরবা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ) পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখি।

ব্লেক দে ওবজার্ভ তৌবগী ৱাফম অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসনগী চ্যেরমেন সামুএল বি বিদৱানা লাউথোকখি। অৱাং নোংপোক ষ্টেট তরেৎকী মরু ওইবা মফম খুদিংমক্তা অমুবা ফিরালশিং অমসুং অমুবা বেন্নরশিং চৎননবা এন ঈ এস ওনা ৱারেপ লৌরে হায়না সাম্যুএল জর্ৱানা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১১ দা পার্লিয়ামেন্টতা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ) পাস তৌখিবা নীংশিংলদুনা বিদৱানা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামগী য়ানিংদবগী খোল্লাওবু করিমত্তা থৌশাদনা রাজ্য সভাদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট ২০১৯ হায়রিবা শাথিরবা এক্ট অসি পাস তৌখি। মরম অদুনা এন ঈ এস ওনা দিসেম্বর ১১ অসি অৱাং নোংপোক লমদম অপুম্বগী ওইনা ব্লেক দে অমা ওইনা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়না লাউথোক্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি। জির্ৱানা হায়খি মদুদি, দিসেম্বর ১১ বু ব্লেক দে অমা ওইনা ওবজার্ভ তৌবা অসিনা সেন্টরদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়াম হৌজিকসু সিটিজনসিপ এমেন্টমেন্ট এক্ট (সী এ এ) গী মায়োক্তা লৈ হায়বগী অকনবা মেসেজ অমা পীরগনি।

ব্লেক দে ওবজার্ভ তৌবা অসিনাঐখোয়গী মীয়ামদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক্কী য়েলহৌমীশিংগী মায়োক্তা পোলিটিকেলগী অতোপ্পা অৱাংবা খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে হায়বসি মতম চুপ্পদা নীংশিং হল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

এন ঈ এস ও অসি অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৭ কী মরু ওইবা মহৈরোয় বোদি ৮ ওল আসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু), খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু), নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ), মিজো জির্লাই পাউল (এম জেদ পি), ত্বিপরা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (টি এম এফ), ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এম এস য়ু), গারো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (জি এস য়ু) না পুল্লগা শেম্বনি।

# ত্রিপুরাগী ওজাশিংনা গভর্ণমেন্টকী ওফর য়াখিদ্রে, মতম কক্তবা খোঙজং মখা তানা চথখিগনি

অগর্টালা, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) : কোর্টকী ৱারেপশিংনা মরম ওইদুনা থবক তৎখ্রবা ত্রিপুরাগী গভর্ণমেন্ট স্কুল ওজা লীশিং কয়ানা চথরকখিবা মতম কক্তবা সিট ইন প্রোটেষ্ট য়ুমশকৈশা নুমিত্তা নুমিৎ হুম্নি শুখিবগা লোয়ননা মখোয়না চীফ মিনিষ্টর বিপলব কুমার দেবনা তৌরকখিবা ওফর রিজেক্ট তৌখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা মখোয়দা অহাঙবা ফমশিংগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না খঙহনখিবনি।

খোঙজং অদুবু লুচিংলিবা জোইন্ট মুভমেন্ট কম্মিটিগী লিদরশিংনা মখোয়বু অমুক হন্না থবক হঞ্জিনহল্লগনি হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অইবা এস্যুরেন্স অমা পীদ্রিফাওবা মখোয়গী খোঙজং হেন্না কনশিল্লগনি হায়না য়ুমশকৈ নুমিত্তা অমুক হন্না ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা খোঙজং চঙশিল্লিবা ওজাশিংদা ইদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং হাঙদুনা লৈরিবা ফম ৯,০০০ মেনশিন্নবগীদমক্তা পাঙথোকপা কম্পিটিসনদা শরুক য়ানবা হায়খি।